# দি সী চান্দেল ত্রোফিঃ ফর্ষ্ট দিভিজনগীদা দামজোল ৰাই সী অদুগা সেকেন্দ দিভিজনদা চন্দোনপোকপী দি সী মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস):**
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) চান্দেলনা শীল্লগা মমাঙ থাগী ৩০দগী হৌরগা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্স চান্দেল খৃষ্টানদা চথুরিবা দি সী চান্দেল ত্রোফি ফর্ষ্ট দিভিজন অমদি সেকেন্দ দিভিজন লিগ ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা লিগ মেটচশিংদা ফর্ষ্ট দিভিজনগী ওইনা চিঙ্খু ৰাই সী অমসুং চকপিকারোং ৰাই সী ড্রো চংখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা দামজোল ৰাই সীনা লিৰা খুল্লেন ৰাই সী মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা সেকেন্দ দিভিজনগী মেটচ অমদনা চন্দোনপোকপী দি সীনা মোদি সী এ সী মায়থীবা পীখ্রে।



ফর্ষ্ট দিভিজন লিগকী ঙসিগী অহানবা মেটচ ওইনা নুংথিল পুং ১ তাদগী হৌরগা চিঙ্খু ৰাই সী অমসুং চকপিকারোং ৰাই সীগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈশিংনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা মান্ননা লৈখি।

চিঙ্খু ৰাই সীগী পাঞ্জলশিং অদুনা মেটচ অদুগী ৩৫ অমসুং ইঞ্জুরি টাইমদা ইসাক অমদি কানখুনা অমমম চনখিবনি। অদুগা চকপিকারোং ৰাই সীগী পাঞ্জল অদুনা মেটচ অদুগী ৫ অমসুং ১৫ শুবা মিনটতা কানলুননা চনখিবনি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্না মখা তাবা পাঞ্জলশিং চন্নবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু পাঞ্জল ২-২দা ড্রো চংখিবনি।

অনীশুবা মেটচ ওইনা দামজোল ৰাই সী অমসুং লিৰা খুলেন ৰাই সীগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। মেটচ অসিগী ওইনসু নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙম্নখিদে। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমমম চন্নবা ঙমখি। লিৰা খুলেন ৰাই সীগী পাঞ্জল অদুনা ৩ শুবা মিনটতা বিশ্বরনা চনখিবনি। অদুগা দামজোল ৰাই সীগী পাঞ্জল অদুনা ১৫ শুবা মিনটতা গৌলেননা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মেটচ অদু মায় পাকপা ঙম্নবগীদমক মখোয় মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উথোক্লদুনা শান্নখি। অদুমওইনমক মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা দামদোল ৰাই সীনা পাঞ্জল ২-১দা লিৰা খুলেন ৰাই সীবু মায়থীবা পীরমখিবনি। দামদোল ৰাই সীগী পাঞ্জল অদু সেলসিৰানা চনখিবনি।

সেকেন্দ দিভিজন লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদনা চন্দোনপোকপি দি সীনা মোদি সী এ সীবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীরমখিবনি। চন্দোনপোকপী দি সীগী পাঞ্জলশিং অদু জাইলিন, সনাথোই অমসুং সোনমনা অমমম চনখিবনি। অদুগা মোদি সী এ সীগী পাঞ্জল অদুনা অরৱিন্তানা চনখিবনি।

# এ এফ সী এসিয়ান কপ ক্বালিফয়র্সঃ ইন্দিয়ানা বহরেন থোইদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিনবা ঙমখ্রে

**দোহা, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী):**
কটারনা য়ুম্বু ওইদুনা ঙরাংদগী হৌদোকখিবা এ এফ সী অন্দর ২৩ এসিয়ান কপ ২০২৬ ক্বালিফয়সকী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়ানা বহরেন মায়থীবা পীদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা অহানবা খোঙথাং থাংজিনবা হৌখ্রে।



দোহাদা লৈবা সুহৈম বিন হমদ ষ্টেদিয়মদা ঙরাং ইন্দিয়া অমসুং বহরেনগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। হৈশিংবা মান্নখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমবু লাকচনা কন্ট্রোল তৌদুনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে।

নাকল অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা য়াবা কাউন্টর এটেকশিং চথুদুনা অকনবা মওংদা শান্নখি। মেটচ অদুগী ৩২ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী মুহম্মদ সুহেননা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা ইন্দিয়া টিমগী শান্নরোয়শিংদা অনৌবা থৌনা পীবা ঙমখিবগা লোয়ননা হান্নদগী হেন্না কন্না শান্নরকখি।

বহরেনগী মায়কৈদগীসু মখোয়গী মায়কৈদা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবনা ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা বহরেননা মখল মখা কয়াগী এটেকশিং চথুদুনা পাঞ্জল চনবা ঙম্নবা হোৎনখি। অদুমওইনমক ইন্দিয়াগী হৈশিংলবা দিফেন্দরশিং অমদি কিপরনা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবশিং পীখিদে। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগীসু মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙম্নবা খুদোংচাবা য়েংদুনা কাউন্টর এটেকশিং চথুদুনা শান্নখি। অদুবু মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমদনা অদুম্মক লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা ইন্দিয়াগী হৈশিংলবা শান্নরোয়শিংনা ফজরবা কাউন্টর এটেক অমা চথরকখিবগা লোয়ননা অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌরিবা মণিপুরী মচা চিংঙাংবম সিভালদোনা চনখিবনি। অদুবু মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা বহরেনগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা, ইন্দিয়া টিমগী হেদ কোচনা ফোঙদোকখিবদা এ এফ সী অন্দর ২৩ ক্বালিফয়র্সকী অহানবা মেটচতা ঐখোয়গী টিমনা চাওনা মায় পাকপা ঙম্বা অসি য়াম্না নুংঙাইবা মীকুপ অমনি। মখা তাবা মেটচশিংদসু ঐখোয়গী টিমনা কন্না হোৎনদুনা এ এফ সী এসিয়ান কপ ক্বালিফয়র্সতা ক্বালিফাইদ ওইবা ঙম্নবা হোৎনগনি। ঐখোয়গী শান্নরোয়শিং হৌজিক হৌজিক য়াম্না মশা খিঙনা চোকথবা লৈতনা লৈরি। মীয়াম্নসু য়াইফ থৌজাল পীনবিয়ু হায়না অপিল তৌরক্লি।

# জুনিয়র বোইজ ষ্টেট লেভেল ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ লোইশিনখ্রে




**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস):**
ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিএশন (এ এম ভি এ) অমদি নাওরেম য়ুথ ভোল্লিবোল এসোসিএশন (এন ৰাই ভি এ) নাওরেম অনীনা খুৎশম্নদুনা মমাঙ থাগী ৩০দগী হৌরগা চথরকখিবা ৪৫ রক শুবা জুনিয়র বোইজ ষ্টেট লেভেল ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ ঙরাং লোইশিনখিবগা লোয়ননা হৈগ্রুজম ভোল্লিবোল এসোসিএশন (ঐচ ভি এ)না টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৩না শরুক য়াদুনা পি ৰাই সী গ্রাউন্দ নাওরেমদা চথখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ঐচ ভি এ হৈগ্রুজমনা এমিমাইদোময়াং ইম্ফালবু সেট ৩-১ (২১-২৫, ২৫-১৬, ২৫-২০, ২৫-২০)দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অদুদা অখন্নবা মনা ওইনা হৈগ্রুজম ভোল্লিবোল এসোসিএশন (ঐচ ভি এ)গী শান্নরোয় ঐচ হিরামনিদা বেষ্ট প্লেয়র, ভান্দমদা বেষ্ট দিফেন্দর অমদি সী ঐচ চলাম্বদা বেষ্ট সেটরগী মনা পীখি। নুমিৎ মঙানি চুপ্পা পাঙথোকখিবা ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট লোইশিনবগী থৌরমদা এ এম ভি এগী জেনরেল সেক্রেটরি লোয়ননা থম্বাল মরিক কোলেজ ওইনামগী এসোসিএট প্রোফেসর ডা. লোংজম বালেশ্বর, এ এম ভি এগী জোইন্ট সেক্রেটরি এম জিতেন, থম্বাল মরিক কোলেজ ওইনামগী এসোসিএট প্রোফেসর দল্লিয়ু সুরচন্দ্র অমদি মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী এ এস আই নাওতোননা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# জুনিয়র ৱর্ল্ড কপতা পাকিষ্টান শরুক য়ারগনিঃ হোক্কি ইন্দিয়া



**রাজগির, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সী):**
ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এফ আই ঐচ মেন্স জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ ২০২৫দা পাকিষ্টান টিম শুংশোয় শোয়দনা শরুক য়ারগনি হায়না হোক্কি ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি জেনরেল ভোলানাথ সিংহনা ফোঙদোরকখ্রে।

পাউমীশিংগী মমাঙদা ৱাঙাংলদুনা ভোলানাথ সিংহনা হায়, জুনিয়র ৱর্ল্ড কপতা পাকিষ্টান টিম শুংশোয় শোয়দনা শরুক য়াগনি। পাকিষ্টান হোক্কি ফেদরেশন (পি ঐচ এফ)কী ওফিসলশিংগা মহাক্কা পাউ ফাউনরে। মীদিয়াদা ফোঙলক্লিবা পাউনা মরম ওইরগা মীয়ামদা চমম্নবা কয়া লৈরিবা অদু লৈবীগনু হায়খি।

পনবা য়াবদি, ১৪ রক শুবা মেন জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ অসি চহী অসিগী নবেম্বর ২৮দগী হৌরগা দিসেম্বর ১০ ফাওবা টিম ২৪না শরুক য়াদুনা শান্নগনি হায়রি।

# করাটেগী কাটা অমদি কুমিটে ইভেন্টকী ওইবা সেমিনার অমসুং কোর্স পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস):**
এসিয়ান কপ ফেদরেশন (এ কে এফ)না শীন্দুনা থা অসিগী ১দগী হৌরগা ৪ ফাওবা চাইনাগী গার্দেন সন সীটি ফিনিক্স সাউগুনদা করাটেগী কাটা অমদি কুমিটে ইভেন্টকী ওইনা সেমিনার অমদি কোর্স পাঙথোকখ্রে।



করাটেকা কাটা অমদি কুমিটে ইভেন্টকী সেমিনার অমদি কোর্স অদুদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা মণিপুরদগী শরুক য়াখিবা কিয়োসি মুতুম বক্কিমনা কাটা গ্রেদকী অরোয়বা থাক্কী জজ এ গ্রেদতা চাওনা মায় পাকখ্রে। পাঙথোকখিবা সেমিনার অমদি কোর্স অদু চাইনাগী ৱাংদোং প্রোভিন্সকী সাউঝৌ স্পোর্টস সেন্টর জিমনাজিয়মদা থা অসিগী ৫দগী ৭ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ২৩ রক শুবা এ কে এফ কেদেট, জুনিয়র অমদি অন্দর ২১ এসিয়ান করাটে চেম্পিয়নসিপ ২০২৫গী মাঙওইননা এসিয়ান করাটে ফেদরেশন (এ কে এফ)না ঙসি সেমিনার অমদি কোর্স অদুগী রিজল্ট লাউথোরকপদা মণিপুরদগী কিয়োসি মুতুম বক্কিম মায় পাক্লকখিবনি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদগী ইহান হানবা ওইনা কিয়োসি মুতুম বক্কিমনা কাটা জজগী এ গ্রেদ ফংবা ঙম্বা অহানবা জজ ওইরে। মণিপুর এমেচর করাটেদো এসোসিএশনগী ইন্টরনেশনল জজ এ গ্রেদ ফংবা ঙম্বসু মুতুম বক্কিমনা অহানবা ওইরে।

# গোল্ড মেদল ২ য়াওনা মণিপুরনা পুন্না মেদল ৬ লৌবা ঙমখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস):**
ওড়িষানা য়ুম্বু ওইদুনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ৪ রক শুবা সব জুনিয়র এন্দ জুনিয়র নেশনল টাইক্বান্দো চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা মণিপুরনা গোর্ল্ড মেদল অনী য়াওনা পুন্না মেদল ৬ ফংবা ঙমখ্রে।




মমাঙ থাগী ২৮দগী হৌরগা থা অসিগী ২ ফাওবা ওড়িষা টাইক্বান্দো এসোসিএশনগী মীৎয়েং মখাদা কটকতা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ইন্দোর স্পোর্টস ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মণিপুরনা গোর্ল্ড মেদল অনী, সিলভর মেদল অনী অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল অনী পুন্না মেদল ৬ লৌবা ঙমখিবনি।

পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মণিপুর এমেচর টাইক্বান্দো এসোসিএশনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুরদগী পুন্না নুপা অমদি নুপী শান্নরোয় ৩৩না শরুক য়াখিবগী মনুংদা মণিপুরগী নিংথৌজম ধমেন্দ্রনা সিনিয়র পুমসে ফ্রী ষ্টাইল মেন ইন্দিভিজুএলদা সিলভর মেদল, টি ঐচ য়াইস্নানা ফিমেল ইন্দিভিজুএল পুমসে ফ্রী ষ্টাইলদা সিলভর, এল চিংথাঙানবী অমদি ৰাই জেটলিগী পুংবানা গোর্ল্ড, ধমেন্দ্র, জেটলি, অদিত্ব, লানখোম্বা, চিংথাংঙাম্বী, লিম্থোইগী টিমনা গোল্ড, উকল্লেবী অমদি সিদার্থকী পুংবানা ব্রোঞ্জ অমদি লমঙানবনা ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌবা ঙমখিবনি।

# নুপা অমদি নুপী খো খো টিমগী মমিং লাউথোকখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৪ (ঐচ এন এস):**
মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএশনগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিএশনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা ওলিম্পিক্স গেমস ২০২৫দা শরুক য়ানবগীদমক ক্বালিফাই ওইরবা নুপা অমসুং নুপীগী খো খো টিমগী মমিং লাউথোকখ্রে।

মমাঙ থাগী ২৯দগী হৌরগা ৩১ ফাওবা তোঙান তোঙানবা মফম অহুম খাঙবোক মমাং লৈকায় লম্পাক, এস ই এন দি ৰাই সী গ্রাউন্দ সলুংফম অমদি এস সী ই এ এস দি ও হৈরোক্তা পাঙথোকখিবা অহানবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট সিনিয়র খো খো চেম্পিয়ন্সিপতা উৎখিবা টিমশিংগী পার্ফোমেন্স য়েংলগা মমিং লাউথোকখ্রবা টিমশিং অসি খনগৎখিবনি।

ওলিম্পিক গেমস অসিদা খো খো মশান্নগী ওইনা ক্বালিফাই ওইরবা নুপাগী টিমশিং অদুদি এস সী ই এ এস দি ও হৈরোক, ঐচ হায়র সেকেন্দরি হৈরোক, বাসু খাঙবোক, এস এ ৰাই সলুংফম, সী ঐচ এম ৰাই দি এ সঙ্গাইয়ুম্ফম, এস ই এন দি ৰাই সী সলুংফমনি। অদুগা নুপীগী টিমশিং অদুনা বাসু খাঙবোক, এস সী ই এ এস দি ও হৈরোক, এস ই এন দি ৰাই সী সলুংফম, এস ৰাই এ সলুংফম, পি ৰাই দি সী খাঙবোক অমদি এস সী ই ও খাঙবোকনি।


খনগৎলবা নুপা অমদি নুপীগী টিমশিংনা মখোয়গী শান্নরোয়শিংগী মমিং, অধার কোপি, এন্ত্রি ফোর্ম, এলিজিবিলিটি সার্টিফিকেটনচিংবা অদু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট খো খো এসোসিএশনগী সেক্রেটরি ইন-চার্জ মংলেম অমদি অহানবা দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক গেমস খো খোগী কোওর্দিনেটর ঐচ কোইরেংদা থা অসিগী ৮ ফাওবগী মনুংদা থাজিল্লক্কদবনি হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট খো খো এসোসিএশনগী চেরোল অমনা হায়রি।







## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1583**

**Vladlen Shulman - Vladimir Feldman**
**Riga op Riga, 1986**

1.e4 c5 2.Nf3 e6 3.Nc3 a6 4.d4 cxd4 5.Nxd4 d6
6.Be2 Nf6 7.O-O Be7 8.f4 Qc7 9.Kh1 Nbd7 10.Bf3 Rb8
11.g4 h6 12.g5 hxg5 13.fxg5 Ng8 14.g6 Ngf6 15.gxf7+ Kxf7
16.Nxe6 Kxe6 17. ...

**QUESTION : White to win**

**Puzzle 1582 Solution :**

**29. ...Qc5 30.Re3**
*30.Be2 Rxe2 31.Qa8+ Kg7 32.Nxe5 Qxf2+ 33.Kh1 Qxh2#*
*30.Qa8+ Kg7 31.Kh1 Qxf2 32.Bh3 Rb1+ 33.Rc1 Rxc1+*
*30.Kh1 Qxf2 31.Qc8+ Kg7 32.Qc7+ Kh6 33.Bh3 Nxf3 34.Qxa5 Qxh2#*
**30. ...Qxe3** *The black queen captures White's rook, which was defending White's knight. The black knight attacks White's knight, which is defending White's pawn. Opening the line from b2 to h2.* **31.fxe3**
*31.Qc8+ Kg7 32.fxe3 Nxf3+ 33.Kh1 Rxh2#*
*31.Qxa5 Qxf2+ 32.Kh1 Qxf1+*
*31.Qa8+ Kg7 32.fxe3 Nxf3+ 33.Kh1 Rxh2#*
**31. ...Nxf3+** *The black knight captures White's knight, which was defending White's pawn.* **32.Kh1 Rxh2#** *Arabian mate*
**0-1**

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com